**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা নাকল অনিমক্কী ওইবা ৱারী শাবা হৌরে।

২) মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রিগী লমজিং মখাদা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা অমদি চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলি।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা ককচিং জিলাগী থমাপাৎ চীংদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখ্রে।

৪) স্পেসিয়েল চীফ সেক্রেটরি এম.ঐচ. খান্না হায়রি- মপানদগী পুশিল্লকপা ঙাগী মহুৎ লমদম অসিদা ফংলিবা ঙানা শিন্দুনা শেনমিৎলোন হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনবদা ঙামীশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রিনা য়ুক্রেন অমদি ৱেষ্ট এসিয়াগী ফিভমগী মতাংদা ওষ্ট্রিয়াগী চান্সেল্লর কার্ল নেহমরগা ঙসি ভিয়েনাদা কুপা খন্নখ্রে।

------

বিরেন (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা নাকল অনিমক্কী ওইবা ৱারী শাবা হৌরে।

ইম্ফালগী থম্বাল শঙলেনদা ঙরাংদগী চত্থরকখিবা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী এক্সটেন্দেদ ষ্টেট একজিক্যুতিভ মীফমদা শরুক য়ারুরবা মতুং পাউমীশিংগা উন্নবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মতম কুইনা পাঙথোক্লুদ্রবা মীফম অসিদা হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফিভম অসিগী মতাংদা কুপা খন্নখি। লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমদি কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগী মখাদা ইরাং অসিগা মরী লৈননা পায়খৎপা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা হন্না য়েংশিনখি। মহাকা হায়- ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা হৌজিক নাকল অনিমক্কী ওইনা ৱারী শান্নবগী থবক চত্থবা হৌরে। রাজ্য অসিদা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফিভম অদু খুমাংচাওশিন্নবা পুরকপা ঙমবা অমদি মখা তানা ইরাং থোক্তনবা ঙসিগী মীফম অদুনা অচেৎপা ৱারেপ লৌখি। মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদান কোন্থৌজমনা চেয়ারমেন ওইবা রিলিফ কেম্প অমদি ইনমেটশিংগী ফিভম য়েংশিন্নবা শেমখিবা কমিতি অদু হেন্না পাঙথোক চাউথোকবা থবক তৌবা য়ানবা সব-কমিতি খরসু শেম্লে। হায়রিবা সব-কমিতিশিং অসিনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চত্তুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্ননবা ৱারেপসু মীফম অসিনা লৌখি।

মীফম অদুদা লো এন্দ জষ্টিস অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারসকী রাজ্য মন্ত্রি আর্জ্নরাম মেঘৱাল, বি.জে.পি মণিপুরগী ইনচার্জ- ডাঃ অজিৎ গোপচাদে, এম.পি সম্বিৎ পত্র, রাজ্য সভাগী এম.পি লৈশেম্বা সনাজাউবা, মণিপুরগী বি.জে.পিগী মন্ত্রি অমদি এম.এল.এশিং, কারিয়াকার্তাশিংনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ অনিসু অমত্তা ওইনা লৌখি। হায়রিবা ৱারেপশিং অদুদা শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা অহুমসুবা টার্মগী প্রধান মন্ত্রি ফম পায়রকপদা অমদি লুচিংবা অসিনা মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা থমখিবা ৱাফমশিং অমদি প্রধান মন্ত্রিগী লমজিং মখাদা কেন্দ্র সরকারনা আইন্না য়াদবা মওংদা রাজ্য অসিদা মীতোপ চংলক্তনবা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ফেন্সিং তৌবা, ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম লৌথোকপা, মণিপুর বিধান সভা মীফমনা রাজ্য অসিদা এন.আর.সি চৎননবা ৱারেপ লৌখিবনচিংববু থাগৎপা ফোংদোকপা য়াওরি।

সিএম-পিএম (এল)ঃ মণিপুরদা প্রধান মন্ত্রি কৌবা নত্রগা কৌদবা হায়বসি ফিভমগী মখা পোনগনি। হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফিভম অসিদা প্রধান মন্ত্রি মণিপুরদা লাকফম থোকই হায়বসি কংগ্রেস পার্তিগী ওইবা ৱাখল্লোননি। অদুবু বি.জে.পিগী ওইনদি পুং ২৪ প্রধান মন্ত্রিগী লমজিং মখাদা থবক পায়খৎলি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক মণিপুরদা পায়খৎলিবা তেংবাংগী থবক থৌরম, সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং, অনা লায়েং অমদি দিভলপমেন্টকী থবকশিং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা পাঙথোকপনি।

কংগ্রেস (এল)ঃ মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি)গী লিগেল দিপার্টমেন্টকী চেয়ারমেন শানৌজম শ্যামচরন্না হায়রি- কংগ্রেসকী মেনিফেষ্টোদা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ জাতি খ্দিংমকা য়ান্নরবা পোলিতিকেল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেতিভ সোলুসন অমা পুরকবা হোৎনগনি অমদি অমুক হন্না তংদু লৈতাবা পুরকবা রিকন্সিলিয়েসন কম্মিসন অমা শেমগনি হায়বনি।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা শ্রী শ্যামচরন্না মখা তানা হায়- হায়রিবা মেনিফেষ্টোগী ৱারোল অসিবু বি.জে.পিগী মন্ত্রি অমনা লান্না আর্থ হনদুনা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবা অসি লাইবক থিবনি। অমরোমদা, মীয়ামদা ঈ-পাউ শন্দোক্লিবা মিদিয়াবু শেলনা লৈবা য়াবগী মওংদা মন্ত্রি অদুনা ঙাংখিবা অসিসু লাইবক থিবনি।

সিপিআই (এল)ঃ মণিপুর লৌমী লুপনা হায়রি- জিরিবামদা লৌমীশিং লৌ পালহন্নবা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলু। জিলা অসিদা লৈরিবা ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা পায়খৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাং পায়খৎপীয়ু।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- জিরিবাম জিলাদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্প কয়াদা লৈরিবা

মীওইশিং মশা মশাগী ময়ুমদা লৈহন্নবা সরকারনা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং পায়খৎপগী মথক্তা জিরিবামগা থংনরিবা তমেংলোং, ফোরজো, অমদি নোনে জিলাগী মকোক থোংবা ফুরুপকী লুচিংবশিংগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্ননবা হোৎনফম থোকই। জিলা অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি সরকারনা অথুবদা লোইশিনদুনা হান্নগুম লৈহন্নবা আপীলসু তৌরক্লি।

রেদিও ঃ অকাশবানি ইম্ফালগী নহারোল খোঞ্জেলগী কেজ্‌য়েল এন্নাউসর খন্নবগী ওদিসন তৌবগী মতম নৌনা লেপ্লে। ওদিসন অসি থা অসিগী ১২, ১৫ অমসুং ১৬ তা ষ্টেসন অসিদা অয়ুক পুং ১০ মখায়দগী পাঙথোকপা হৌরগনি। অকুপ্পা মরোল অকাশবানি ইম্ফালগী ফেসবুক পেজদগী খঙবা য়াগনি।

পুলিস (এল)ঃ ককচিং জিলাগী এদ্দিসনেল এস.পি (এল.ও), এস.দি.পি.ও শুগনু, সি.দি.ও য়ুনিত ককচিং, ৱাংঙু পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি, বি.এস.এফ অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবুনা পাঙলতাবী চীংখাদা লৈবা থমাপাৎ চীংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ মখায় তাবা অদুৱাইদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখ্রে।

ফারবা খুৎলায়শিং অদুদি- আইতিৱান এম.এম মোর্তার অনি, ঐচ.ই ফিফতিৱান এম.এম মোর্তার অমা, ফিফতিৱান এম.এম স্মোক সেল অনি, দিতোনেতর য়াওদবা থার্তিসিক্স ঐচ.ই গ্রেনেদ অহুম, বাউফেং হেন্দসেট অমা, স্মোক গ্রেনেদ অমা, পি.এ.জিগী লাইভ রাউন্দ মরি অমদি কম্বেট দ্রেসশিং য়াওরি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা ৱাংঙু পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

ডে (এল)ঃ স্পেসিয়েল চীফ সেক্রেটরি এম.ঐচ. খান্না হায়রি- মপানদগী পুশিল্লকপা ঙাশিং য়োনবগী মহুৎতা লমদম অসিদা ফংলিবা ঙানা মহুৎ শিন্দুনা রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোনদা চাউরবা লম্বী অমা ওইনবা হোৎনমিন্নদুনা লমদম অসিগী ঙামী খুদিংমক্তা পুকিং থৌগৎপা তঙাইফদে।

রাজ্য ফিসরি বিভাগনা শিন্দুনা লমফেলপাৎতা লৈবা বিভাগ অসিগী হেদ ওফিসতা ঙসি ২৪ শুবা নেসনেল ফিস ফার্মরস ডে থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ফোরেষ্ট, আর.দি এন্দ পি.আর, টি.এ এন্দ হিলসকী স্পেসিয়েল চীফ সেক্রেতরি এম.ঐচ. খান্না হায়- মণিপুরদা লৈরিবা ঙামী খুদিংমক পুকিং থৌগৎপা তঙাইফদে। মতম কয়াগী মমাংদগী লমদম অসিগী মীওই কয়ানা ঙা য়োকপগী শিনফম অসি তৌদুনা ইমুং মনুংগী শেনমিৎলোনগী লন্থীদা চাউনা মতেং ওইদুনা লাক্লি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা পি.এম.এম.এস.ৱাইগী  স্কিমগী মখাদা ঙামীশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীরি।

থৌরম অদুদা ফিসরিগী স্পেসিয়েল সেক্রেটরি নিতা অরাম্বম অমদি বিভাগ অসিগী দাইরেক্তর ঐচ. বালকৃষ্ণ শরুক য়াখি।

নুমিৎ (এল)ঃ  ফ্রিদম ফাইতর অমদি হান্নগী মন্ত্রি হেমাম নিলামনিগী ১১২ শুবা মপোক নুমিৎ ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবগী ফোটোদা লৈ-শু কৎপা অমদি মহাকা তৌরম্বা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা নৈনখি। থৌরম অদুদা থোঙাম শান্তি এম.এল.এনা লৈখিদ্রবা ফ্রিদম ফাইতর অসিনা মহে মশিংগী লমদা তৌরম্বা দানশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। শ্রী শান্তিনা রাজ্য অসিগী লুরবা তানফম অমদি হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা কনাগুম্বা খরনা অনেম্বা থাক্কী রাজনীতি তৌরি হায়না য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌবিদনবা আপীল তৌখি। হৌজিক মণিপুরদা তঙাইফদনা মীয়ামা পাঙথোক্কদৌরিবা অসি পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মণিপুর কনমিন্নবা হায়বসিনি, ঐখোয় মশেল হুন্নবা মতম নত্তে হায়না মখা তানা ফোংদোকখি।

হেমাম নিলামনি ফাউন্দেসন অমসুং ইন্তরনেল ক্বালিতি এসিয়োর সেল মোইরাং কলেজনা শিন্দুনা কলেজ অসিদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। রিমসকী ব্লড ত্রান্সফ্যুজিন মেদিসিনগী তেংবাংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীওই ৬০ রোমা ঈ দান তৌখি।

দাইনা (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার খুমনথেম দাইনানা শওস্নুং টেম্পররি সেলতর হোমদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগাহকথেংননা উন্নদুনা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা শ্রীমতি দাইনানা হায়- মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাঞ্জেন্নরক্কুনা শওস্নুংগী টেম্পররি সেলতর হোম অসিদা লৈরি। ঙসিগী খোঙচৎ অসি হোম অসিদা লৈরিবা মীয়ামা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু য়েংশিনবা লাকপনি। মহাকা হায়- মফম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক পীফম থোকপা চেং পীদুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তা সরকারগী মাইকৈদগী পীবা য়াবা তেংবাংশিং পীননবা অঙম্বদা থাক্তা হোৎনরি। তুংদা, মহাকা বিরামঙ্গল কলেজ শওস্নুংদা শারিবা কম্প্যুতর সেট ১২৫ থমগদবা মফম অদুসু য়েংশিনখি।

সটদাউন (এল)ঃ এল. লাংজোল খুলদগী ভোলুন্তিয়ার অহুম ফাখিবগা মরী লৈননা কুকি ইনপি মণিপুরনা কাংপোকপী জিলাদা ঙসি অযুক পুং ৬ তগীনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা চথখিবা টোটেল সটদাউ লোইশিনখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা হায়রিবা মতম অসিদা নেসনেল হাইৱে লম্বী থিংজিনখি অমদি মহৈ লোইশঙশিং অমসুং ওফিসশিং হাংনখিদে।

থৌবাল (এল)ঃ টেরিতোরিয়েল আর্মিনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা নহাশিংবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী মতৌ করমা লাপথোক্কনি হায়বগী মতাংদা পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল তোংজিংদা লৈবা ১৬৫ শুবা টেরিতোরিয়েল আর্মিগী ইনফেন্ত্রি বত্তল্লিয়ন সি-কোই কেম্পতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং চাদনবা অমদি মসিদগী ঙাকথোকবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। মদুদা সুপর ষ্টার ৱেলফ্যার ক্লব থৌবালগী থৌমীশিং অমদি মহৈরোই কয়ানা শরুক য়াখি।

কম্পিতিসন (এল)ঃ লিলোং হাওরৈবী কলেজগী ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল অমদি লিটররি ক্লব অনিনা শিন্দুনা অহুন্নকসুবা ইন্তর কলেজ দিবেৎ কম্পিতিসন কলেজ অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ইন্তরনেসনেল ডে এগেনষ্ট ড্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিত ত্রাফিক্কিং ২০২৪ গী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা কম্পিতিসন অদুদা মহৈরোই ১৪ না শরুক য়াখি।

ত্রেনিং (এল)ঃ পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী দিপার্টমেন্ট ওফ ওর্গনাইজেসন্না শিন্দুনা নুমিৎ মরিনি চুপা চত্থরকপা কংলায়েন অমসুং চেঙ্গুম থাবগী ত্রেনিং ঙসি লোইশিনখ্রে। ঐখোয়গী পোত্থোক পুথোক্তবা য়াদে, ঐখোয়গী শেনমিৎলোন লৈতবা য়াদে হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং অদু থৌবাল জিলাগী য়াইথিবী লৌকোলদা লৈবা লুপ অসিগী কেম্পতা পাঙথোকখিবনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মালেমগী মফমশিংদা থোক্লিবা উংখৎনবশিংগী মতাংদা, মরুওইনা য়ুক্রেন অমদি ৱেষ্ট এসিয়াগী ফিভমগী মতাংদা ওষ্ট্রিয়াগী চান্সেল্লর কার্ল নেহমরগা ঙসি ভিয়েনাদা কুপা খন্নখ্রে।

প্রধান মন্ত্রিগা ওষ্ট্রিয়াগী চান্সেল্লরগা উন্নবা অদুদা লুচিংবা অনি অসিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখি। মদুগী মনুংদা- লল্লোন ঈতিক অমদি শেল থাদবা, সাইন্স এন্দ টেকোলোজি, গ্রিন ইনর্জি, আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স, ষ্টার্টঅপ, হোংলক্লিবা অঙৈং অশাগী খল, কলচরেল কোওপরেসন অমদি লৈবাক অনিগী মীয়ামগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা য়াওরি। লুচিংবা অনিনা লমদম লমদমগী অমদি মালেমগী লৈরিবা ৱাফমশিংগী মতাংদসু খন্নখি।

মীফম অদু লোইরবা মতুংদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মীয়ামা হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং, মরুওইনা ক্লাইমেত চেঞ্জ অমদি তেরোরিজমগী মতাংদা মীফম অদুদা কুপা খন্নখি।

মহাকা হায়- ইন্তরনেসনেল সোলর এল্লায়েন্স, কোলিজন ফোর দিজাষ্টর রেজিলেন্ট, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং বাইও ফ্যুএল এল্লায়েন্সকী মতাংদা খুমাং চাওশিনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবগীদমক ওষ্ট্রিয়াবু য়াওননবা ভারতকী মাইকৈদা বার্তন তৌরমখি।

মীফম অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক অনৌবা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পুন্না খন্নমিন্নখি। তুংদা অখন্নবা থৌরাং অমগী মতুংইন্না লৈবাক অনিগী মরী অসি হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনরগনি হায়নসু খন্নখি।

মীখল ঃ লৈবাক অসিগী রাজ্য ৭ তা বিধান সভা সিট ১৩ গী মরক্কী মীখলগী ভোৎ ঙসি থাদনখ্রে। ভোৎ থাদবা অয়ুক পুং ৭ তগী হৌখি। মীখল পাঙথোক্লিবা রাজ্যশিং অদুদি- নোংচুপ বেঙ্গল, পঞ্জাব, বিহার, তামিলনাদু, মধ্য প্রদেশ, উত্তরাখন্দ অমসুং হিমাচল প্রদেশনি। ভোৎ মশিং থা অসিগী ১৩ দা থীগনি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি দুরান কপ তুরনামেন্ট ২০২৪ গী ত্রোফিশিংগী মায়খুম হাংদোকখ্রে। ত্রোফিশিং অদুগী দুরান কুপ, প্রসিদেন্টস কপ অমদি সিম্লা ত্রোফি য়াওরি।

রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকখিবা মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম অদুদা শ্রীমতি মুরমুনা হায়- মালেমদা ফুটবোল মশান্না অসি খ্বাইদগী হেন্না শকখঙনবা মশান্না অমনি। লাক্কদৌরিবা দুরান্দ কপ তুরনামেন্ট ২০২৪ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিংদা রাষ্ট্রপতিনা য়াইফ পাউজেল পীবগা লোয়নননা মহাকা হায়- মায় পাকপা অমসুং মায়থিবা য়েংদনা শান্নরিবা অদু পুকিং চংনা অমদি নিংথিনা শান্নগদবনি। ভারত্তা ফুটবোল মশান্না অসি হেন্না মাংজিল থাননবা ফুটবোলবু পামজরিবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নশি হায়নসু রাষ্ট্রপতিনা আপীল তৌরি।

ইদি ঃ ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা করনাটক্কী কংগ্রেসকী লুচিংবা বি. নাগেন্দ্র অমসুং রাইচুরগী এম.এল.এ- বি. দদদালগী ময়ুমদা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে। করনাটক মহারসি বালমিকি সেদ্যুল ত্রাইবস দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিতেদতগী লান্না শেল লৌথোক্লম্বা কেসকা মরী লৈননা থিবা হুম্বগী থবক অসি চথখিবনি।

------